ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯃꯦ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশ, মে ১৫, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৪৭শুবা মশীং

লম্বী-থোংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম

লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী খুদম উবা ফংদ্রে

মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা লৈরক-খুল্লক পূম্নমক্তা লৈরিবা লম্বীগী ফীভম নীংবা কায়নীংঙাই ওইবা মওং অমদা লৈরি হায়বা য়াই। লৈকায়-লৈকায়গী লৈরক-খুল্লক্তি লায়রদনা দিষ্ট্রিক্ট অমগা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমগা ফাওনরিবা লম্বী অমসুং মরুওইবা ষ্টেট হায়ৱেশিং ফাওবা মপু পান্দবগী মওংদা লৈরি হায়বদা লানগদবা মান্দ্রে। লমদমসিদা হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা খ্বাইদগী খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা নোং খজিক্তং হেক চুরকপগা লম্বী ঈশিং থুম্বা অমসুং নুংশা শারগনা উফুল হৌবগী ফীভম অসিসু অমনি হায়বা য়াই। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং ইন্না গাড়ীগী মশীংসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। নোংমদা লৈরক-খুল্লক ফাওরগা থৌনরিবা কাংখোঙ মরি পানবা অমসুং অনী পানবা গাড়ীগী মশীং অসুক্কী মতিক য়াম্লবসু লম্বীগী ফীভমদি থায়না মমাঙঙৈদা ওইরম্বা মওং মতৌ অদুদগী থোইদোক্লা অহোংবা লৈতে হায়বা য়াই। খুমাঙ চাওশিনখ্রবা লৈবাকশিংনা হীরম খুদিংমক্তা মীথোই-মীহেনবা ঙম্নবগীদমক খোঙজেল য়াঙনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎনরি। খোঙ লম্বী অমসুং গাড়ী লম্বীশিং পরম চুম্না শেমজিনবদগী হেন্দাক্তুনা অহাঙবা মালংদা ফ্লাই ওভর অমদি ফুট বৃদজনচিংবা কয়া শেমগৎনরি। লম্বী পাকথোকপা খক্তনা মী চিনবগী অৱাবা কোকহনবা ঙমলোই খনবদগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা অহাঙবা মালংদা ফাওবা লম্বী শেন্নগা স্কাই-ত্রেন অমদি স্কাই-বসনচিংবা চেন্নরিবনি। দিমোক্রেসি হায়বসি মীয়ামগীদমক মীয়াম্না লৈঙাক শেম্বগী থৌওং অদুবুনি হায়না মতম অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অব্রাহম লিঙ্কননা ফোঙদোক্লম্বা য়াম্না ফজ খ্রবা অমসুং চুমদুনতা লৈরগদবা ৱাফম অমা লমদম অসিদা ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়বা য়াই। মপান্দগী লাকপা কনাগুম্বা মীওই অমনা লমদম অসিগী হৌজিক ওইরিবা লম্বী থোঙ অমসুং মৈ-ঈশিংগী ফীভম উরুরগা করম্বা মখলগী লৈঙাক অমা লমদমসিদা লৈবগে হায়বদু চাউরাকপা অমা শোয়দনা খঙবা ঙমগনি খল্লি। মীনা খঙবীবা-খঙবীদবা হায়বদুনা তোখায়বা ৱাফম অমা ওইখ্রগা ইশামক্লা চৎলিবা ইশামক্কী লম্বী ফাওবদি ফীভম ফনা শেমগৎপা মথৌ তাই হায়না লৈঙাক্লোয়শিংনা লৌবদা লানগদবা মান্দে।

লাইবক থীবদি ইম্ফাল সিটিগী ময়োলমক্তদা লৈরিবা, য়াম্নসু মরু ওইনা লৌনরিবা কৈশামথোং এসেম্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী লম্বী অয়াম্বা নীংথিনা শেমজিনবীদবগী মওং অমা উবা ফংলিবসিনি। এসেম্লি কন্সটিটুয়েন্সি অসিগী মনুং চল্লিবা কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়, লৈমজম লৈকায়, খ্বাইরাকপম লৈকায়, পিশুম নোংথোম্বম লৈকায়, হাওবম মরক কাংজম লৈকায়, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়, কৈশামথোং লোংজম লৈরক, সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়, কৈশামথোং হোদাম লৈরক, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায় অমসুং মোইরাংপুরেলনচিংবগী লম্বীশিং ফীভম শোকপগা লোয়ননা লম্বীগী মফম কয়াদা কোমকুৎ লৈবনা চৎথোক-চৎশিন্দা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। লমদমসিদগী খরা খজিক লাপথোক্লা য়েংলবদা লৱার অসামগী মফম অমদসু শঙ্গাবা কুইদ্রিবা থোং অমা নীংখায়বগী থৌদোক থোকখ্রে। লৱার অসামগী বরপেটা দিষ্ট্রি মনুং চন্না লৈবা বাথসলাদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। লেন মরি লৈবা নেসনল হায়ৱেগী শরুক অমদা থোং অদু শঙ্গাখিবা থা ৬ লোমতা খায়রিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা নীংখায়রকপনি হায়রি। য়াম্না মরু ওইবা হায়ৱে অমদা চহী ১০ রোম চঙনা শারকখিবা থোং অমা শঙ্গাবা কুইদ্রিঙৈদা নীংখায়রকখিবসি লৈঙাক্কী অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপগী খুদমনি হায়না লৌনরি। লমদম অসিদসু অদু মঙায়রে ইম্ফাল ময়োলগী বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা অরিবা বিল্ডিং অমগী মথক থংবা শরুক খরা নীংখায়রকপদা মীওই অমা শিরগা অতোপ্পা অহুম শোকপগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। লাইবক থীবা থৌদোক অমদা নীংখায়রকখিবা বিল্ডিং অদু লৈঙাক্লা শাখিবা নৎতে হায়রগসু করম্বা মফমদা, করম-করম্বা বিল্ডিংশিং করম্বা মওংদা শাহনগদগে হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা কাঙলোন ঙাক্তে হায়না লৌবদা থোইদোক্লা লানগদবা মান্দ্রে। মীয়ামগীদমক মীয়াম্না শেম্বা লৈঙাকনি হায়রগদি মীয়ামগী য়াইফনবা খনবনা লৈঙাক্কী খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং ওইফম থোকই। য়াম্না থোইদোক-হেন্দোক্লা নুংঙাইহনবমক ঙমদ্রবসু তঙাইফদবা থৌদাংনি খল্লগা ইশা-ইশাগী ওইজবা খরা থাদোক্লগা লম্বী-থোং নীংথিনা শেমজিনবা অমসুং মৈ-ঈশিং চাং নাইনা ফংহনবা মতমদা মীয়াম্না লৈঙাকপু শোয়দনা থাগৎনগনি খল্লি। তৌবু তৌগে খল্লবদি মিনিষ্টরগী ফম পায়দ্রবফাওবা চহী খুদিংগী লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম শীজিন্নরগা এম এল এ অমনা চহী মঙা চূপ্পা মশা মশাগী কন্সটিটুয়েন্সি শেমগৎপদা থোইদোকপা অৱাৎ-অপা লৈগদবা মান্দে। লৈঙাক্লা ‘গো টু ভিলেজ’ অমদি ‘গো টু হিল’ পাঙথোকপগুম লৈকায় লৈকায়দা চৎতুনা পাঙথোক্তুনা সিটি ময়োলগী লৈকায় পূম্নমক শেমগৎপা মতম ওইরে।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

পোরোম্পাৎ লম্বীগী নাক য়েৎতা মোদেল এরিয়া ওইহনবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ইম্ফাল ইষ্টনা তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট অমা হেক ওইরকপদগী ঙসি ফাওবদা পোরোম্পাৎ হায়রিবা মফম অসি তোঙান-তোঙানবা লোইশঙ কয়াগী হেদ ওফিস ওইরকপনা মরম ওইদুনা পোরোম্পাৎ রোদ অসি ইম্ফাল ইষ্টতা য়াম্না মরু ওইবা লম্বীঅমা ওইবগা লোয়ননা লম্বী অসিদা তোঙান তোঙানবা গাড়ী অচৌবা অমদি মচা, পেসেঞ্জর ওটো অমদি ৱাটর সপ্লাইয়রদগী থৌদোরকপা টাটা ৱাটর টেঙ্ক, দি আই টেঙ্ক, ইরিক ৱাটর টেঙ্ক অসিনচিংবা কয়ানা নোংমদা লেপ্তুনা চেনশিনবগা লোয়ননা লম্বী অসিদা অয়ূক অমদি নুমিদাংগী মতমদা ৱাকিং চৎপা মীগী মশীংসু নোংমা-নোংমগী য়ামখৎলকপগা লোয়ননা ওফিস চৎনবা মতমদদি লম্বীদা গাড়ী অচৌবা-মচা কয়া খামজিন্দুনা থম্বনা মরম ওইদুনা লম্বী য়াম্না চিনবগা লোয়ননা এক্সিদেন্ট থোক্কে তৌবা কোঙ্গাইনি।

পোরোম্পাৎ লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা ফুট অনীমখায়-অহুম ফাওবদং পাকথোকপীরবদি তুং কোয়না লম্বী চিনবদগী শাফগনি খল্লি। লোয়ননা খা-অৱাংদা মওং মরীল তাদনা লমলেম কয়া লৈরিবা লৌখোং অসিসু মওং চুম্না ক্বালিটি লৈনা ফাউন্দেসন দ্রেন চনবগা লোয়ননা মথক্তা স্লেট হৈজিল্লগা (নাগামপালদা তৌবগুম) দুকান পরেং অমা শারগা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংদা ফমহল্লবদি মীওই চা কয়াগী অৱাবা কোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্তসু ইনকম লাকপগা লোয়ননা লম্বী অসিগী মফম অনীদা হায়বদি মোর্দন কোলেজগী হোষ্টেলগী গেট মনাক্তা অমা, দি সী ওফিসকী গেট মনাক্তা অমা অসুম্না মফম অনীদা ৱেটিং সেদ শাবিরগদি নোংজু-নুংশাদগী অৱাবা কোকপা, ঙাইহাক পোত্থাজবা ফংবগা লোয়ননা মফম অসিদা ফেসিলিটি খুদিংমক (লাইট, ৱাটর) ফংবনা মরম ওইদুনা অপিকপা ফজবা মোদেল অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা শেমগৎপীরবদি থৌশিল হৈবা লৈঙাক্কী থৌওংবু মীয়াম্না থাগৎনগনি অমদি বজারগী মী চিনবদগীসু খরদি শাফগনি খল্লি।

অদোমগী- য়ূমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, টোপ মখা লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৫

১। মণিপুরগী য়েক সলাই খুদিংগী লাইফম অপোকপগী খুভমদা লৈনুংদা য়োৎনা শাবা লেপ শুম্বল মানবা অমা ফুমদুনা থম্মে। মথক্তনা খাবৈ মওং মান্না য়োৎনা শাবা অমসু য়ুংনৈ।
(ক) লৈনুংদা ফুল্লিবদু মমাগী খুদমনি। করি কৌই?
(খ) মথক্তা য়ুংলিবদুনা মপাগী খুদমনি। অদুনা করি কৌই?

২। “হে নুপী! নখোয়না অসুক থাজগল্লিবসিবু... করিগীনো?” পরেং অসি শাজৌ কৌবা অমনা মাগী নুপীনা মন্ত্র যন্ত্র থাজগনবা অদুদা পেন্দনা হায়রিবনি। ওজা জি সী তোংব্রাগী রেডিও দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। “কিরম্বদগী কিরক্তে/মিৎ উইশিল্লগদুম চৎনিংলক্লে।” পরেং অনী অসিনা কবি ভুবনসনাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “পুন্সিদি শৈরেংনি/... শৈরেং য়াওদ্রবা পুন্সি/নত্তে অশেংবা পুন্সি।” পরেং অহুম অসিনা ‘নোংজু নঙনা’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “অশেংবা থৱায় অমনা/কোইপাই পাইদুনা থিরি/হকচাং পোলাং অমা।” পরেং অহুম অসিমনা ‘ৱাথোক’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। মপালগী অইবা অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, য়ূমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

এদ্যুকেসন অমদি তুংলমচৎকী মীৎয়েং

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

হৌজিক প্রাইভেটকীসু গভর্ণমেন্টকীসু স্কুল অয়াম্বা এগজাম লোইনরে। অনৌবা সেসন হৌনবা কন্না হোৎনরি। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা ওজা ওইবশিং মঙক থাঙ্গৎ-থাঙ্গৎতুনা কনা-কনা মীং চনবা লাক্লিবগে য়েংবদা অৱাবা অমা ওইনরি। হোয় চীংদা অমদি খিত্তং লাপথোকখিবা মফমদদি মসি থোক্লমদবা য়াই, অদুবু অয়াম্বা স্কুলদদি মসিগী থৌওংসি অদুম থোক্লিবনি। ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংবু মখূৎ পায়দুনা নমদুনা গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মীং চলহনবা ঙম্বা নত্তে। অঙাংশিং অদুগী মমা-মপাগী অনীংবগী মায়োক্তা ওজা অমত্তনা মচাশিং মহৈ তমহন্নীংদে। মসিগী মরম য়াম্না লৈরমগনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা ওজা ওইরিবশিং মতিক চাদবদগীরা করিদগীনো? তশেংবগীদি ওজা মতিক চাদবগী নত্তে। ওজাদি য়াম্না হৈ শিংলবা ওজা ময়াম অমা লৈরে। স্কুল ইনফ্রাষ্ট্রকচর, টিচিং মেটরিএল, কেম্পস, ইনভাইরনমেন্ট লোইনমক য়েংলুরগা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ফীভম অসি প্রাইভেট স্কুলগা চাংদম্নবা মতমদা য়াম্না নোপ্পী। স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদবা, মহৈরোয়শিংবু নীংথিনা ক্যের লৌদবা, চাং নাইনা ক্লাস তৌদবা, ওজাশিংসু মহৈরোয়শিংগী ফীভমদা অমদি লৈরিবা স্কুলগী মথৌ তাবা পূম্নমকশিং লৈতবা অসিনা তন্থরকপনচিংবা য়ামখ্রবা মরম কয়াশিং অসিনা হৈনীংবা পোক্লক্তবনা ওইরম্বসু য়াই। শেংনা হায়রবদি হৌজিক গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা নিংথিনা লাইরিক তাকপীরিবা ওজাশিংগী মনুংদা আর এম এস এ অমদি এস এস এগী ওজাশিং অসি য়াম্না থৌরি, মখোয়দা অঙাংশিংবু তাকপী তম্বীবগী থৱায় য়াওবা অদু উবা ফংলি।

হৌজিক প্রাইভেট স্কুল অয়াম্বা ক্লাস মচাশিংগী সেসন হৌনবা কন্না হোৎনরি। অনৌবা মহৈরোয়শিং মীং চন্নবা হোৎনবদা টিকেট থাবদৌনা থারি। মমা-মপাশিংনা ফেসন অমা ওইনা মচাশিংবু মমিং লৈরবা ইংলিস স্কুলশিংদা তমহন্নবা কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনরি। প্রাইভেট স্কুলশিংনসু মখল কয়াগী এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা অঙাংশিংগী মমা-মপাবু মিত্রংগী লাং থাক্লরি। মসি খল্লুরগা অমদি উরুরগা য়াম্না নুংঙাইবা কুম্মৈ মখল অমনি হায়না লৌই। সিদগী অমুক ক্লাস টেনগী এগজাম হায়দোরকপদা অমুক অকনবা লোবি তৌনদুনা লাইরিক ফবা মহৈরোয়শিংবু মখোয় মখোয়গী স্কুলদা তমহন্নবা মখল কয়াগী ওফর পীরক্লগনি, অদুগা মী থা-থাদুনা অঙাংশিংদুগী ময়ূমদা ৱানোম্নরনি। অকিবগী মশক ওল্লবা বিজিনেস অমগী মতৌ অদু মতম স্বাইসিদনা অমুক্কা হেন্না কনখৎনরক্কনি। প্রাইভেট স্কুলশিং অসিদা নিংথিনা লাইরিক তম্বীরিবরা নৎত্রগা তম্বীদ্রব্রা হায়বদুদি য়াম্না নাখৈ শেংনা হায়বা ঙমদে। তম্বীফম থোকপা রুটিনদি অদুম চাং নাইনা ফজনা তৌরবসু কা হেন্না মখোয়না তম্বীবদগী অঙাংনা এগজামদা নম্বর হেন্না ফংব্রা হায়বদুদি ওইদব্রা হায়না হায়নরক্লি। মসি চুমসু চুমগনি। মসিগী মরম হায়ববু, মমিং লৈবা প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা মহৈরোয়শিং লোইনমক মমা-মপানা ট্যুসন সেন্টরশিংদা অহিং-নুংথিল, অয়ূক-নুমিদাং হায়বা নাইদনা তূম্মোই তূমদবোই মচা ট্যুসন থিন্নরি। মচাগী ট্যুসন তৌবদা শেল চাউনা চাউনা থাদবদা চিংনবা লৈত্রি। পোজিসন লেপ্পল্লিবা অদুগা নম্বর ৱাংনা ফংদুনা দিভিজন ৱাংনা লাক্লিবা মহৈরোয় চাদা ৯০ হেন্না ট্যুসন লোইনা তৌই। অদুনদি স্কুলগী ওজাশিং অদুনা তম্বীবদু মমা-মপানা পেন্দে, মহৈরোয়শিং অদুনা পেন্দে, অদুনা অহেনবা ট্যুসন তৌদুনা নম্বর ফংলকপনি হায়বসি য়াম্না চুম্মী। মসিদা লান্নীংঙাই কৈসু লৈতে। প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিং অসিগী মমা-মপানা মচাগীদমক লৌরিবা থৌদাং অমদি মচাগী মহৈ তম্বদা থাদরিবা কোক অদুম্না গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তমহল্লগা থাদরবদি চপ মান্নগনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয় কনানা ট্যুসন সেন্টর অমদা চৎতুনা ট্যুসন তৌবা য়াওবগে? ট্যুসন তৌবগী শেল পুথোকপা ঙম্বা মমা-মপা কনা লৈবগে?

ফীভম অসি মুন্না মমুৎ তানা নৈনরবদি প্রাইভেট স্কুলসু অদুমঙাই, গভর্ণমেন্ট স্কুলসু অদুমঙাই চপ মান্নৈ হায়বা তাই। বিল্ডিং ফজবা, য়ুনিফোর্ম ফজবা, স্কুল বেগ ফজবা পায়বা, খোঙউপ ফজবা তোংবা, টাই পুনবদুখক্তনা হেক্তা লাইরিক ফবা নত্তে। মশাগী হোৎনবা অমদি মমা-মপাগী থৌদাংগা লোয়ননা ওজাশিংগী পুকচেল শেংনা তাকপী তম্বীবদুনা অঙাংশিংনা ফরকপনি হায়না লৌগনি। প্রাইভেট স্কুলদা মীং চনবদা লৌরিবা অচৌবা শেনফম, মদুদগী লাইরিক্কী, খাওগী, খোঙউপকী, য়ুনিফোর্মগী, খোঙ মোজাগী, বোয়গী অতৈ হীরম কয়াগী মীং চনবদা লৌহৌরিবা শেনফমশিং কয়াদা য়ামখ্রবনো, য়ুনিফোর্ম মক্তদা মখল কয়ানো, স্পোর্টসকী, টি-সার্টকী য়ামখ্রে। স্কুল ওথোরিটিনা মচুদু হায়রগা লন্নাই ওইনা ক্বালিটি লৈবা খল্লগা লৈজবা য়াবদু স্কুলনা লোইনা সপ্লাই তৌশিল্লে। মহৈরোয়শিংদগী অহেনবা শেনফমশিং লৌনবা থৌশিল কয়াদা হৈ শিংদুনা লৈরে। খরা লৈরগা বেগ অমদি স্পোর্টস ফুরিৎশিং লোইনা চোন বেরা তৌদুনা য়ানদ্রে। স্কুলগী চৎনবীনি তৌদবা য়াদে হায়দুনা অদুম য়ারে। মসিদা ওথোরিটিশিংদি মখোয়না তৌরিবা খুদিংমক ফরে হায়না খঞ্জুনা নাপল কাবসু য়াম্না য়াওনরি। মসি চুমদে। লোগো য়াওদবা বেগ পুবদা মহৈরোয়শিং লাইরিক হৈরোইদবা নত্তে। আইদেন্টিটিগীদমক আই কার্দ অমা পীরিবদুনা অদুম য়ারে খল্লুই। কনাগী খাওসু, ফুরিৎসু, খোঙউপসু স্কুলগী লোগো য়াওগদবনি হায়সি খরা হেনমল্লি। মদুনা অঙাং হেন্না লাইরিক হৈগদবা নত্তে। অঙাংশিংনা হৈগৎলক্লিবদি ট্যুসন তৌবদগীনি হায়বা য়াই। হৌজিক্তি ক্লাস মচাশিংসু ময়ূম-ময়ূমদা অহৈবা ওজা কৌদুনা ট্যুসন লোইনা তৌনহল্লে। মসি চৎনবী ওইরবনি।

ক্বালিটি এদ্যুকেসন হায়রগা মহৈরোয়শিংনা নম্বর য়াম্না ফংবদু ওইগদ্রা? ক্বালিটি এদ্যুকেসন হায়বসিদা করি করি চঙই। ক্বালিটি লৈনা মহৈ তম্লকপা মহৈরোয়শিং অদুনা হয়েং চাউরক্লগা লৈবাক্কীদমক, খুন্নাইগীদমক, মীয়ামগীদমক করি তৌগদগে হায়বদু কয়া য়াম্না খঙলবগে। নম্বর য়াম্না ফংলগা লাকখিবা মহৈরোয়শিংনা অচৌ-অশাং ওইরকপদা তৌরোইদবা থবক কয়া লান্না তৌবা থেংনৈ, অহল লমনশিংদা থক-খা নাইদবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নবা তাই মদু ক্বালিটি এদ্যুসেন্না পুরকপা মহয়রা? লৈবাক্কী চাওখৎকদবা, মীয়ামগী য়াইফগদবা, খুন্নাইগী য়েংদুনা তৌগদবা থবকশিং কাং-খোঙ চাইদুনা মরন্নাই চাওখৎনবা ওইনা হোৎনদুনা লাক্লিবশিং অসি মতৌ করম্না ওইরকপনো? পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা পূম্নমক মহৈরোয় লোইনা ওইরম্মী। মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা লৈবাক মীয়াম্বু য়াম্না নুংশিবদি শারগা, চিন্দা পংহায়দা হায়রগা থবক তৌবদা শেরান তুরান তৌরে হায়না হায়নরিসি মখোয়না তম্লক্লিবা লাইরিক অদুনা মখোয়দা লৈবাক মীয়ামগী অফবা ৱাখল্লোন অমত্তা পোকহনবা ঙমদ্রব্রা? মসি য়াম্না চিংননীংঙাই ওই। মণিপুরগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিদা করি অকায়বা লৈবগে? নেসনেলিজমগী ৱাফম অসি ঙসিগী মতমসিগী মীওইশিংদা শুংয়াও য়াওরক্ত্রিবা, অমনা অমবু য়েংথিনবা, অপূনবগী মশক মাঙশিল্লক্লিবা, মরন্নাইগী ওইবা ৱাফমলোমদা হেন্না পূক্লিং চঙলক্লিবা অসি ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিদা করি অকায়বা লৈরবগে হায়বসি য়াম্না কূপ্পা নৈনবা অমগী মথৌ তারি। ক্বালিটি এদ্যুকেসন হায়বসি, অঙাংশিংবু এগজামদা নম্বর য়াম্না ফংহনবা অদু খক্তা নত্তে। লাইরিকসু হৈহনগদবনি, মোরেলসু ফহনগদবনি, মখোয় মখোয়গী মকোক্তা লমদম অসিগী ওইবা ৱাখল্লোনসু পোকহনগদবনি। ⏴⏴

কোলকটাগী থিজিল্লিবশিংনা পুথোরকপা কেন্সর সেল হাৎপা ঙম্বা কেমিকেল

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

কেন্সর হায়বসি মালেমদা খ্বাইদগী কিনরবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। মখোয়গী মনুংদা থিবোং মরিল (কোলোন) অমসুং খোমগী কেন্সর পনবা য়াই। ‘ৱর্ল্ড কেন্সর রিছার্স ফন্দ’ গী মতুং ইন্না হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা থিবোং মরিলগী অনৌবা কেস মিলিয়ন ১.৮ থেংনখি হায়রি। কেন্সর মখলসি নুপাশিংদা থোক্কনবা কেন্সরশিংগী মনুংদা অহুমশুবনি অদুগা নুপীশিংগীনা অনীশুবনি। মালেমগী ওইনা কুমজা ২০১৮দা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্কী ওইনা কেন্সর মখলসি খ্বাইদগী নাখিবা লৈবাক্তি হঙ্গেরিনি। অদুগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবনা খা কোরিয়া অমসুং স্লোভাকিয়ানি হায়না ৱর্ল্ড কেন্সর রিছার্স ফন্দগী পাউদমদুদা পুল্লি। নুপাশিংগী ওইনসু হঙ্গেরিনা মকোক্তা লৈ অদুগা স্লোভাকিয়া অমসুং খা-কোরিয়ানা মথংশিৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবদা লৈ। নুপীশিংগীদি নোরৱেনা মকোকনি, অদুগা হঙ্গেরি অমসুং দেনমার্কনা মথংশিৎনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবনি। লাইবক ফবা হায়গদ্রা, কুমজা ২০১৮দা থিবোং মরিলগী কেন্সর খ্বাইদগী য়াম্না নাখিবা লৈবাক কুনমঙা খনগৎপদা ইন্দিয়াদি য়াওদ্রে।

‘ব্রেষ্ট কেন্সর কেয়র’ গী মতুং ইন্না খোমগী কেন্সরনা নারবা ১০০গী মনুংদা ৯৯দি নুপীশিংদনি হায়রি। চহী ৫০ হেল্লবা নুপীশিংদা খোমগী কেন্সর নারকপা য়াবগী চাংসি চাদা ৮০নি। অদুবু নুপাশিংদা থেংনবা খোমগী কেন্সরদি অয়াম্বনা চহী ৬০ হেল্লবশিংনি হায়না পাউদমদুনা মখা তারি। ‘নেসনল ব্রেষ্ট কেন্সর ফাউন্দেসন’ গী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা নুপী ৮গী মনুংদা অমদি খোমগী কেন্সরনা নাগনি হায়রি। মসি য়ু এস এগী ওইনা নুপী ২,৫২,৭১০দগী হেল্লবনি। মখোয়সিগী মনুংদা ৪০,৫০০ রোমদি শি হায়না পাউদমদুনা মখা তারি। চহী খুদিংগী নুপীশিংবু শিহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা কেন্সর মখলসিনা অনীশুবা ওই।

অকি-তুজুং ময়ামসিগী মরক্তা নুংনাংলিবা পূক্লিংদা নুংঙাইবগী ইথিল পীগদবা পাউ অমা লাক্লি। ‘জর্নেল ওফ মেদিসিনেল কেমিষ্ট্রি’ দা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না, কোলকটাগী ‘ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ কেমিকেল বাইওলোজি (সী এস আই আর-আই আই সী বি)’ অমসুং ‘এসোসিএসন ফোর কল্টিভেসন ওফ সাইন্স (আই এ সী এস)’ কী থিজিল্লিবশিংনা থিবোং মরিল অমসুং খোমগী কেন্সর সেলশিং হাৎপা ঙম্বা অনৌবা কেমিকেল কাঙলূপ অমা পুথোক্লে হায়রি। মখোয়না পুথোক্লিবসি ‘কুইনোলিন’ গী দেরাইভেটিভ ২৫ খক্লি। মখোয়গী চাংয়েংশিংসি হকথেংননা উচি নৎত্রগা মীওইবদা পাঙথোকখিবা নত্তে; মদুগী মহুত্তা মখোয়না লেবতা মীওইবগী ‘টোপোআইসোমরেজ ১ (টোপো ১)’ হায়রিবা এঞ্জাইমসি শীজিন্নরগা পাঙথোকখি। হায়রিবা কম্পাউন্দশিংসিনা খোম, অঙাংখাউ, সর্ভিকেল অমসুং থিবোং মরিলগী কেন্সরগী সেলশিং হাৎপা ঙম্বগী চাং য়েংবদা মরুওইনা খোম অমসুং থিবোং মরিলগী কেন্সরশিংদা কান্নবা থেংনখিবনি হায়না আই এ সী এসকী ‘স্কুল ওফ বাইওলোজিকেল সাইন্সেস’ কী স্রিজিতা পোল চৌধুরিনা ফোঙদোক্লি।



দি এন এ রেপ্লিকেসন মওং তাকপা লাইয়েক



কুইনোলিনগী ষ্ট্রকচর

টোপোআইসোমরেজ ১ হায়বসি দি এন এ রেপ্লিকেসন্দা তঙাইফদনা চংদবা য়াদবা এঞ্জাইম অমনি। দি এন এসি কোয়েৎ-কোয়েৎ য়েৎশিন্নবা ফীভমদা লৈ অদুগা রেপ্লিকেসন থোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মখোয়সি হন্দোকপগী মথৌ তাই। য়েৎশিন্নরিবা দি এন এগী মকোলসি হন্দোক্লবগীদমক, টোপো ১ এঞ্জাইমসিনা দি এন এগা শমজিন্নদুনা ‘কমপ্লেক্স’ ওইবা শক্তম অমা শেম্মী। অসিগুম্বা শক্তমসি অমুক্তংবু শেমখ্রবদি, টোপো ১ এঞ্জাইমসিনা দি এন এগী লংলা (ষ্ট্রান্দ) অমা ককথৎলগা দি এন এগী মকোলদু হন্দোকই। অমুক্তংবু হন্দোকপা লোইখ্রবদি টোপো ১ এঞ্জাইম্না ককথৎখ্রবা লংলাদু অমুক শমজিন্নহন্দুনা রেপ্লিকেসন পাঙথোকই। হৌজিক হৌজিক কেন্সর লায়েংবদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিং অমসুং মখোয়না শুংলিবা কুইনোলিন দেরাইভেটিভশিংনা কমপ্লেক্সসিবু লাকশিল্লগা টোপো অমবু ফাজিল্লি। অদুনা টোপো অমনা ককথৎখ্রবা লংলাদুবু অমুক হন্না শমজিন্নহনবা ঙমদে। অসুম্না ফাজিল্লবা দি এন এগী কমপ্লেক্সশিংগী মশীংনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ককথৎখ্রবা লংলাবু শমজিন্নহনগদবা টোপো অমগী মশীং হন্থরকই। রেপ্লিকেসন অমসুং ট্রান্সক্রিপসন (দি এন এবু আর এন এদা ওন্থোক্লিবা) দা শরুক য়াবা অতোপ্পা এঞ্জাইমশিং চঙলকই অদুগা ফাজিল্লবা টোপো অমগা থেঙ্গাইনদুনা দি এন এশিংবু মখা তানা থুগায়। মসিনা মরম ওইরগা রেপ্লিকেসন্দা অপনবা পীদুনা দি এন এ কায়থরকই অমসুং কেন্সর সেলশিংদু শিখি।

হৌজিক কেন্সর লায়েংবদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিংগা মখোয়গী অনৌবা কম্পাউন্দসিগা মথৌ তৌবগী মওং মান্নে, অদুবু খেন্নরিবদি কমপ্লেক্সশিংবু ফাজিন্দুনা থম্বগী মতমখক্তদনি, অদুনা কেন্সর সেল হাৎপা ঙম্বগী চাংদা খেন্নরকপনি। অশোয়বা লৈতবা সেলশিংগা কেন্সরগী সেলশিংগা চাংদম্নবদা, কেন্সর সেলশিংদা টোপো অমা এঞ্জাইম থাদোরকপগী চাংসি য়াম্না ৱাংই, অদুনা কমপ্লেক্স শেম্বগী চাংসু হেল্লি। মসিনা মরম ওইরগা অশোয়বা লৈতবা সেলশিংদা টোপো ১ য়াওজরবসু, নৌনা পুথোরক্লিবা হীদাকসিনা কেন্সরগী সেলশিংদা হেন্না লান্দাশিনবগী চাং হেল্লি। ‘স্কুল ওফ বাইওলোজিকেল সাইন্সেস’ অমসুং দি বি টি - ৱেলকম ইন্দিয়া এলিয়েন্স’ কী ফেলো, ডা. বেনু ব্রটা দাসনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, হৌজিক লৈরিবা কেন্সরগী হীদাকশিংসিনা কমপ্লেক্স অমবু ফাজিনবগী মতমসি য়াম্না তেল্লি, অদুনা হীদাকশিংদু হকচাং মনুংদা য়াওরিবা ফ্লুইদ (মহী নৎত্রগা গ্যাস) শিংনা মাঙহনখি। মসিনা মরম ওইরগা মিনট ২০ মুক্কী মনুংদা তৎলবা দি এন এগী লংলাশিংদু শমজিন্নখি। অদুনা হৌজিক শীজিন্নরিবা হীদাকশিংনা কেন্সরগী সেলশিং হাৎপগী চাং হন্থে।

অদুবু আই আই সী বি অমসুং আই এ সী এসকী থিজিল্লিবশিংনা পুথোরক্লিবা কম্পাউন্দশিংসিনদি কমপ্লেক্স অমবু পুং মঙা ফাওবা ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্মী হায়না আই আই সী বিগী ডা. অরিন্দম টালুকদারনা হায়রি। মখোয়গী কুইনোলিন ২৫ মক্লা চপ মান্নবা মওংদা টোপো ১বু থিংদুনা কেন্সর সেলশিং হাৎলি। মখোয়গী কম্পাউন্দশিংগী তোপ-তোপ্পা মগুন অমনা, কম্পাউন্দশিংসিনা নাইতোম লৈরিবা টোপো ১ নৎত্রগা দি এন এগা রিএক্সন থোক্তে নৎত্রগা পুনশিন্নদে। অদুনা ফিভম কায়দ্রিবা সেলশিংদা হীদাকসিনা অকায়বা থোকহন্দে। টোপো ১ অমসুং দি এন এনা কমপ্লেক্স শেম্লবা মতমখক্তদা পুনশিন্নৈ হায়বদি কমপ্লেক্সতুবু ফাজিল্লি। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়গী কম্পাউন্দশিংসি শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি হায়না টালুকদারনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ⏴⏴

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।